# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)  মথং থা জ্ন ২১ দা অমুক হন্না পাঙথোক্কদৌরিবা নিট য়ু.জি ২০২৬ কী পরিক্ষা অশোই অঙাম য়াওদনা পাঙথোকবা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎলি।

২)  সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবা অহুম ফারে, ঙমখৈ লান্না ড্রগ লল্লোনবা ম্যান্মার মচা অনিসু সিংহাৎতগী ফারে।

অমসুং

৩)  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ইটলি খোঙচৎতা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা য়ান্নচে ১৫ সহি তৌনখ্রে।

------

নিট ঃ  মথং থা জ্ন ২১ দা অমুক হন্না পাঙথোক্কদৌরিবা নিট য়ু.জি ২০২৬ কী পরিক্ষা অসিগীদমক নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ)না অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎলে। কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীফমনা পরিক্ষা অসি অশোই অঙাম য়াওদনা নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমবা  মথৌ তাবা থবক পুমমক পায়খৎনবা পাউতাক পীখ্রবা মতুংদা এন.টি.এনা টেকোলোজি অমসুং এদমিনিষ্ট্রেতিভ রিফোর্মশিং পাঙথোক্কুনা পরিক্ষা অসি হেন্না চেকশিন্না পাঙথোকবা থৌরাং পায়খৎলকপনি।

মরক অসিদা, সি.বি.আইনা নিট য়ু.জি ২০২৬ পেপর লিক কেসকা মরী লৈননা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথ্‌রি। দিল্লিগী কোর্ট অমনা ৱাথোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই ৫ মথং থাগী অনি ফাওবা জ্দিসিয়েল কষ্টদিদা থমখ্রে।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবা অহুম ফারে, ঙমখৈ লান্না ড্রগ লল্লোনবা ম্যান্মার মচা অনিসু সিংহাৎতগী ফারে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমদেংদগী ঙরাং মণিপুর পুলিসনা লালহৌবা অনি ফারে। মখোয়দগী মেগজিন অহুমগা কোন্নবা ইন্সাষ্ট এল.এম.জি অমা অমসুং নোংমৈ মরু ১৪ ফংলে। ইম্ফাল ইষ্টকী মন্ত্রিপুখ্রি এরিয়াদগী অতোপ্পা লালহৌলুপ অমগী মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মঙোনদগী মোবাইল ফোন অমা ফংলে হায়রি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী সিংহাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা নেসনেল হাইৱে-১০২-বিগী সিংহাৎতগী মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ম্যান্মার মচা অনি ফারে। মখোয়দগী কেনবো বাইক অমা অমসুং সাপোন কেপ ৫৫ দা হাপ্তুনা পুরম্বা ব্রাউনসুগরনি হায়না চিংনবা, কিলোগ্রাম অনি গ্রাম ১২৭ লোমগী পোৎলমশিং ফংলে।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী গেটতা ঙরাং অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা মীওই অনি গঞ্জানি হায়না চিংনবা কিলোগ্রাম অহুম গ্রাম ৩০০ লোমগী পোৎলমশিং ফারে। হোন্দা এক্তিভা অমা অমসুং ষ্টন্নর এম.সি অমসু মখোয়দগী ফংলে।

তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বোর্দর পিল্লর নম্বর-৭২ অমসুং ৭৩ গী এরিয়াদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা এস.এল.আর রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, রেদিও সেট মরি, রেদিও সেটকী চার্জর অমা অমসুং আই.ই.দি মরি ফংলে। আই.ই.দিশিং অদুদি মফম অদুদা পোকখায়দুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

ৱেথ (এল)ঃ কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী কম্মিসনার এন. খেদাবর্তা সিংহনা হায়রি- পোৎ লৈবদা অরুম্বা শুদবগী চিংনবা লৈরবদি ৱেথ এন্দ মিজরস দিপার্টমেন্টতা পাউ পীবীয়ু।

ইম্ফালগী লমফেলদা লৈবা ৱেথ এন্দ মিজরস দিপার্টমেন্টকী কমপ্লেক্সতা ঙরাং পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড মেত্রোলোজি ডে ২০২৬ কী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা

শ্রী খেদাবর্তনা হায়- মালেমগী ওইনা য়ান্নরবা ৱেথ এন্দ মিজরসকী কাংলোনশিং পুথোরকপদগী পোৎ লৈবা-য়োনবগী লমদা খুদোংচাবা কয়া পীরি।

লিগেল (এল)ঃ তাকয়েলগী দেফ এন্দ ম্যুট স্কুলদা ঙরাং পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিশিংগী হক্কী মতাংদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্ট, রোয়েল একাদমি ওফ লো ওইনাম অমসুং লিগেল এইদ ক্লিনিক পাৎশোইনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

টিবি (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফুমলৌদা ঙরাং টি.বি. মুক্ত ভারত অভিয়ান কেম্পেন পাঙথোকখ্রে। এ.এ.এম. ফুমলৌনা খুরখুলগী পি.ঐচ.সি, ফুমলৌ জাস কমিতি অমসুং মফম অদুগী মৈরা পায়বীশিংগা পুন্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ৭৪ টি.বি. লায়না লৈব্রা হায়বদু খঙদোকবা চ্যেক তৌখি।

নোর্থ ইষ্ট (এল)ঃ নোর্থ ইষ্ট ত্রেনিজ এসোসিয়েসন অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট কবাদি এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা অহানবা ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট কেস প্রাইজ জ়নিয়র বোইজ এন্দ গার্লস কবাদি তুরনামেন্ট ঙরাংদগী ইম্ফাল ইষ্টকী কংলা শঙ্গোমশঙদা লৈবা নেতা গ্রাউন্দদা হৌখ্রে। অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপামচাগী মেটচতা ইম্ফাল ইষ্টনা বিষ্ণুপুরগী পোইন্ট ৭২-৫৪ দা অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টনা ককচিংবু পোইন্ট ৫৫-৩৮ দা থোইখি। নুপীমচাশিংগী মেটচতনা ককচিংনা বিষ্ণুপুরবু পোইন্ট ৪৯-২১ দা অদুগা থৌবালনা ইম্ফাল ইষ্টপু পোইন্ট ৩২-৩০ দা থোইখি।

এগিমেন্ট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ইটলি খোঙচৎতা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা য়ান্নচে ১৫ সহি তৌনখ্রে। মসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

য়ান্নচেশিং অদু ঙরাং রোমদা শ্রী মোদি অমসুং ইটলিগী প্রধান মন্ত্রি জিওরজিয়া মেলোনিগা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা উন্নদুনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা সহি

তৌনখিবনি। য়ান্নচেশিং অদুগী মনুংদা লৌউ শিংউ, ক্রিতিকেল মিনরেল, আয়ুরবেদ, সাইন্স এন্দ টেকোলোজি অমসুং মেরি টাইম ত্রান্সপোর্ট এন্দ পোর্টসনচিংবা য়াওরি।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- ইন্দিয়া-ইটলি জোইন্ট ষ্ট্রেটেজিক এক্সন প্লান ২০২৫-২০২৯ না লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। ইনোভেসন অমসুং ঙাকশেলগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং শাবগী মতাংদা অনৌবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎলগনি হায়না শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- ন্যুক্লিয়ারগী মতাংদা কিহল্লকপগী থৌওং অমত্তা খাঙদুনা লৈরোই।

কোরিয়াদা লৈবা ভারতমচাশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা অমদা ঙাকশেল মন্ত্রিনা হায়- ওপরেসন শিন্দুর অসি ভারতপু মপাঙ্গল কনবা অমদি শক্তি লৈবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী লম্বীদা চংশিনবগী শিংথানিঙাই ওইরবা তাঙ্কক অমনি। মহাকা হায়- ভারতনা তেরোরিজমগী থৌওং অমত্তা খাঙদুনা লৈথোক্লোই হায়বদু ওপরেসন শিন্দুরনা ময়েক শেংনা উৎখ্রে। ন্যুক্লিয়ারগী খুৎলায়শিং ভারতনা হান্না শিজিন্নবা তৌরোই হায়বা ফিরেপ অদু অহোংবা লৈত্রি হায়না ফোংদোক্লদুনা শ্রী সিংহনা হায়- ন্যুক্লিয়ারগী লমদা কিহল্লকপগী থৌওংশিং লৈবাক অসিনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। ভারতনা ঙাকশেলগী পোৎলমশিং শাবগী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইনবগী লম্বীদা খুমাং চাওশিন্না চংশিল্লি। খোঙথাং অসিনা মীরৈবাক্তা ঙাকশেলগী পোৎলমশিং য়োনবগী চাংসু হেনগৎলক্লি।

মুরমু ঃ ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা চংশিল্লিবা ভিক্সিত ভারতকী খোঙথাং অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা থৱায় য়াওনা হোৎননবা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি।

রাষ্ট্রপতি ভবনদা ঙরাং কুমজা ২০২৪ বেটচকী আই.এ.এস ওফিসারশিংগী কাংবু অমগা উন্নবগী থৌরমদা শ্রীমতি মুরমুনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মখোয়না থবক তৌরকপা মতমদা মীয়ামগী অনিংবা অপান্বশিং থুংহন্নবা চেকশিন্না থবক পাঙথোকবসু রাষ্ট্রপতিনা পাউতাক পীখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ফাজিনখিবা নাগাগী মীওইশিং তেক্ত-কায়দনা থাদোরকবা নাগাশিংনা পাক্তকনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক পাউচেদা ফাজিনখিবা মীওইশিং থাদোরক্তবদগী খোইশাওনরবা মীয়ামা মাইকৈ খুদিংদা লৈঙাক্কী থৌওং পেন্দবা ফোংদোকখ্রে। চর্চকী পাষ্টর য়াওনা শা-ষনগুমা ফারগা তমথিনা ওৎ নৈরিবসি লৈঙাকা তুমিন্না লৈথোকপা য়ারোই হায়বা নাগা লুপশিংনা থল্লকপা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি তোঙান তোঙানবা হেদলাইনগা লোয়ননা নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর মেল, পোকফম, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ফাজিনখিবা মীওইশিং তেক্ত-কায়দনা থাদোকপীরকবা অমসুং হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী মতাংদা নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন্না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর লৈঙাকা মীচম ৬ রেস্ক্যু তৌনবা ওপরেসন চথরি হায়রগসু লংলং লংজিল ফংবা ঙমদ্রি, মফম খঙদ্রিবা নাগা মীচম ৬ কী মনুংদা য়াওরিবা পাষ্টর ডাঃ মানু থিয়ুমাইগী লোনবীনা ইপুরোইবা হিংনা শিন্নবীয়ু হায়না তেংথারক্লি হায়না হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মফম খুদিংমক্তগী খুৎলায়শিং লৌখৎপা মথৌ তারে হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম

খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নাগাগী মীওই ৬ ফাজিনখিবগা মরী লৈননা তাঙ্খুল ফুরুপকী নুপীশিংনা উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেনবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরী অনি ক্রোর ১৯ গী ড্রগকা কোন্ননা ফারে হায়বা পাউ অমসু শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা পম্পশিংদগী ব্লেক্তা থাউ থাদোকপা লৈতে, ওপন সেল তৌই হায়না মণিপুর পেট্রোল্লিয়ম দিল্লরস ফ্রেটরনিতিনা ফোংদোরকখিবা ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মীতোপ খন্দোকশি য়াদবদগী ঙসি মণিপুরগী থোকহন্নিংদবা থৌদোকশি থোল্লকপনি হায়না জষ্ট এন্দ ফিয়ার দিলিমিতেসনগী কনভেনরনা থল্লকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ফাজিনখিবা নাগাগী মীওইশিং অশোই অঙাম য়াওদনা থাদোকপীরকবা সেনাপতিদা য়াল্লবা মীয়ামনা খোঙজং চংশিনখিবা অমসুং নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন্না হিরম অসিগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবগী পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা সিন্থেতিক ফুটবোল টর্ফ গ্রাউন্দ শেম শাবা হৌখ্রে হায়বা পাউ গানফিউ মেলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং জিলাগী কাহুলোং, চেংদাই, বামগাইজেং অমসুং সাংরুংপাং খুলদা জন জাতিয়া গারিমা উৎসব ২০২৬ পাঙথোকখিবা, তাঙ্খুল সনাওলোং নুপী লুপনা উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেন ফম থাদোকবা তকশিনখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমসকী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------